হান্নগী প্রসিদেন্ট মোইজে হাৎপদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৪ পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

হাইতি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

হাইতিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জে ৱেনেল মোইজে হাৎপদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৪ পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অনী অমনা ফারে হায়না লৈবাক অদুগী পুলিস চীফ লিওন চার্লসনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হায়তি পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মীওই ৪ অদু অতোপ্পা লৈবাক্কী সিটিজনশিংনি। মখোয় য়াম্না ফজনা ত্রেন তৌরবা ঙাক্তনি। নুমিদাংগী মতমদা প্রসিদেন্টগী য়ুমগী অকোয়বদা লৈবা সেক্যুরিটি পর্সনেল খরা খুৎলাই মতিক চানা পায়রবা মীওইশিং অসিনা হাৎলবা মতুং ইমুংদা চঙশিল্লক্তুনা প্রসিদেন্ট মোইজেবু হাৎখিবনি। থৌদোক অদুদা মোইজেগী লোয়নবীসু শাথিনা শোকখি।

প্রসিদেন্টগী য়ুমদা খুৎলাই পায়বশিংনা এটেক চথখি হায়বা হেক ফংবগা পুলিস অমদি আর্মীনা মরু ওইবা লম্বী কয়া থিংজিন্দুনা থম্লগা থি হুম্বগী থবক চথখি। মীহাৎপশিং অদুনা লৈরম্বা য়াই থাজবা মফমশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চঙশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথখি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং হিংনা ফাবা নৎত্রগনা হাৎপা হায়বসি হায়তি পুলিসকী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা হায়তিয়ান এম্বেসেদর বোসিদ এদমননা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসকী দ্রগ ইনফোর্সমেন এদমিনিষ্ট্রেসন (দি ঈ এ) এজেন্টশিংনা শেৎপা য়ুনিফোর্মগা মান্ননা এসাসিনশিং অদু প্রসিদেন্টগী য়ুমদা চঙশিনখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা হায়তিদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিনসু য়াম্না লুম্না লৌবগা লোয়ননা হায়তি পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মীহাৎপা মরি অদুগী অকুপ্পা ইনফোর্মেসনশিং খঙবা ঙম্নবা হোৎনরি। হায়তিদা য়ু এসকী দি ঈ এ ওফিস অমা হায়তি লৈঙাক্লা কাউন্তর নার্কোটিক্স প্রোগ্রামশিং চথরকপদা মতেং পাংনবগীদমক লৈরিবনি। অদুবু প্রসিদেন্ট হাৎপদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু দি ঈ এগী য়ুনিফোর্ম শেৎলি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখিবা অসি অরাইবা ৱাফম নত্তে হায়না য়ু এস এম্বেসিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা লৈবাক অদুগী ইন্তরিম প্রাইম মিনিষ্টর জোসেপ ক্লাউদনা ফোঙদোকখিবদা হায়তিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা ফ্রেন্স নৎত্রগা হায়তিয়ন কৃওল ঙাঙই। অদুবু প্রসিদেন্টতা এটেক চথরকখিবা এসাসিনশিং অদুদি ইংলিশ অমসুং স্পেনিস ঙাঙই। এসাসিনশিং অদুবু ফানবা হোৎনবদা খুদোংচানবগীদমক লৈবাক অদুদা চয়োল অনীগী ওইনা হায়তিয়ন গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট ইমার্জেন্সি লাউথোকখ্রে অমদি জোসেপ ক্লাউদনা মতম খরগী ওইনা প্রসিদেন্টকী থৌ পুরগনি হায়রি।

টালিবান ফাইটরশিং মায়োক য়ানবগীদমক অফঘান গভর্ণমেন্টনা কম্মান্দো কয়া থাজিনখ্রে

হেরাট, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

অফঘানগী প্রোভিন্সিয়েল কেপিটেলদা টালিবান ফাইটরশিং অমদি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লম্প্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিং মায়োক য়ানবগীদমক অফঘান গভর্ণমেন্টনা টালিবাননা কন্ত্রোল তৌদুনা লৈরিবা মফমশিংদা কম্মান্দো কয়া থাজিনখ্রে।

মরু ওইনা বাদঘিস প্রোভিন্সকী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈরিবা কালা-আই-নোদা গভর্ণমেন্টনা কম্মান্দো কয়া থাজিনখ্রে। অফঘান গভর্ণমেন্টনা বাদঘিস প্রোভিন্সতা থাজিনখ্রিবা কম্মান্দোশিং অসি য়াম্না ফজনা ত্রেন তৌরবা ঙাক্তনি। কম্মান্দোশিং অসি গভর্ণমেন্টনা তঙাইফদ্রবা মতমদা শীজিন্নবনি। অদুমওইনমক টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা সিটিশিং তপ্না তপ্না কন্ত্রোল তৌশিনখিবা অদুদগী ঙাকথোক্নবগীদমক কম্মান্দো শীজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অফঘানদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা ফোরেন ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোকপা হৌখ্রে। পেন্টাগোননা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না অফগানিষ্টানদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা থনম্বা য়ু এস ক্রুপশিংগী চাদা ৯০ দি লৌথোকখ্রে। য়ু এস অমসুং নেটো ক্রুপশিং অফঘানদগী লৌথোকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী লাম্নীশিংনা টালিবান ফাইটরশিংগা মায়োক য়াবদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। অমেরিকান এয়র সপোর্ট য়াওদনা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিং মায়থিবা পীনবা হোৎনরিবা অসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে হায়রি। বাদঘিস হেল্থ ওফিসল অব্দুল লাতিব রোষ্টেনা ফোঙদোরকখিবদা প্রোভিন্স অদুদা গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমসুং টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীচম ১০ অশোক অপন নংখ্রে। মখোয় হৌজিক হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথরি। বাদঘিসকী গভর্ণর হেসামুদ্দিন সামনা ফোঙদোকখিবদা টালিবাননা প্রোভিন্স অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং লাইট অমদি হেভি ৱেপনশিং শীজিন্নদুনা এটেক চথরি।

লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা চপ চানা পাউখুম পীবগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিংবু মফমদুদগী তপ্না তপ্না তকথোকপা হৌরক্লি। মখা তানা অকনবা লাল্লোং চথদুনা মফম অদুদগী টালিবান ফাইটরশিং মপুং ফানা তকথোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়রি।

অমরোমদা কালা-আই-নোদা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা টালিবান ফাইটরশিংনা হৌজিক হৌজিকসু সিটি অদুগী অকোয়বদা কোয়না চৎপা মীয়াম্না উনরি। মোটোর সাইকলশিংদা অফবা মখলগী খুৎলাই পায়দুনা টালিবান ফাইটরশিংনা সিটি অদুগী লম্বীশিংদা য়াম্না তোয়না চৎপা উরি। মসিনা মরম ওইরগা মফমদুদা লৈরিবা মীওই কয়া মীপায়বা পোক্লরে।

সিদনিদা কোভিদকী ফীভম লুশিল্লক্লি

সিদনি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেটতা দেলটা ভেরিয়েন্টকী কেস মশীং তপ্না তপ্না হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী ওইনা ঙসিনা কোভিদ মশীং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনবা নুমিৎ ওইখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ দা ন্যু সাউথ ৱেলসতা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটাগী কেস ৩৮ থেংনখি অদুগা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তনা দেলটা ভেরিয়েন্ট কেস ২৭ থেংনখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মরু ওইবা সিটিশিংদা দেলটা ভেরিয়েন্টনা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং মরু ওইবা মফম খরদা লোকদাউনশিং থমজিনবা হৌখ্রবনি।

সিদনিদা লৈরিবা মীওইশিং লোকদাউন মনুংদা ইমুংদগী মপান থোক্তনবা ওথোরিটিশিংনা অকনবা চেকশিন ৱারোল থমখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা য়ুমদগী মপান থোক্লম্বশিং লিগেলগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননসু লৈবাক অদুগী মীয়ামদা কোভিদ-১৯ মায়োকয়াবদা অঙম্বা মতেং পাংনবা অমদি মপাঙ্গল কা হেন্না কনবা দেলটা ভেরিয়েন্ট মখা তানা শন্দোকপা থিংনবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অমদি নৌনা শেমখ্রবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা আপীল তৌরক্লি।

হৌজিক ফাওবদা মীওই মিল্লিয়ন ৪ হেন্না শিখ্রে

জেনেভা, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

মালেমগী মফম খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা অকনবা চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা মীওই মিল্লিয়ন ৪ হেন্না শিহনখ্রে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী লৈবাক কয়া মরু ওইনা এসিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াদা লায়না লাইচৎ অসিনা মখা তানা অকনবা চৈথেং পীরিঙৈ মরক অসিদা ইকনমিগী ফীভম ফবা লৈবাকশিংনা কোভিদ-১৯ গী অথিংবশিং কোমথোক্লবা ফিরেপ লৌনরক্লিবা অসি অফবা খোঙথাং নত্তে। ৱর্ল্ড পৱারশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপগী মতম ওইরে।

ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা অকনবা মওংদা চৈথেং পীরক্লিবা অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। দেলটা ভেরিয়েন্টনা ইন্দিয়াদা অকনবা চৈথেং পীখ্রবা মতুং মালেমগী অতোপ অতোপ্পা লৈবাকশিংদা মখা তানা চৈথেং পীরক্লি। ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা দেলটা ভেরিয়েন্ট অসি হান্না লৈরম্বা কোভিদ-১৯ দগী মপাঙ্গল হেন্না কনবা অমদি কা হেন্না শন্দোকপগী চাং হেল্লি হায়রি।

ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লৈবা য়ু এস পর্সনেলশিংদা টর্গেট থমদুনা খুৎলাই পায়বা রেবেলশিংনা এটেক কয়া মথং মথং চথরক্লি

বাঘদাদ, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লৈবা য়ু এস দিপ্লোমেট অমসুং ক্রুপশিংদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা শকখঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা রোকেট অমদি দ্রোন শীজিন্নদুনা এটেক কয়া সেরিজ নাইনা চথরকখ্রে হায়রি।

য়ু এস অমসুং ইরাক ওফিসলশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না য়ু এস ফোর্সশিংনা লৈরিবা ইরাককী এয়রবেজশিংদা রোকেট ১৪ রোম কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথখি। এটেক অদুদা অমেরিকান সার্ভিস মেম্বর ২ অশোক অপন নংখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এটেকশিং অদু করম্বা গ্রুপনা চথরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অমদি গ্রুপ অমত্তনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি।

ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লৈবা য়ু এস ক্রুপশিংনদি এটেক অদু ইরাননা শৌগৎপা মিলিসিয়াশিংনা চথরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি। ইরাকতা লৈরিবা মিলিসিয়া গ্রুপশিংনা ইরানগা খুৎশম্নদুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এস ক্রুপশিং মপুং ফানা তকথোক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। য়ু এসনা মমাং থাদা ইরাক অমসুং সিরিয়াগা লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা শরুকশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা ইরাননা শৌগৎপা মিলিসিয়া মরি হাৎপগী থৌদোক থোকখ্রে।

ইরাকতা লৈরিবা য়ু এস ক্রুপশিংগী মকোক থোংবা কোলোনেল ৱেননা ফোঙদোকখিবদা ইরাককী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা অল-অসাদ এয়রবেজদা মিলিসিয়ামেনশিংনা টর্গেট তৌরগা চথরকখিবা এটেক অমদা য়ু এস সার্ভিস মেম্বর অনী অশোক অপন নংখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তসু রেবেল গ্রুপ অসিনা চথরখিবা এটেক অমদসু য়ু এস পর্সনেল ৩ অশোক অপন নংখি হায়রি। ইরাককী সেক্যুরিটিগী মায়কৈদগীসু ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইরাকতা লৈবা য়ু এস এম্বেসি তম্না রোকেট অনী কাপশিল্লকখি। অদুবু এয়রদিফেন্স সিস্টেমনা রোকেট অনীমক নোংথক্তা মাঙহনখি।

ভেক্সিন কাপথোকখ্রবশিংদি অথিংবা থন্লোইদৌরি

লন্দন, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

য়ু কেদা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিং চঙলকপদা অথিংবা কয়া থম্লমখিবা অদু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মপুং ফানা কাপথোকখ্রবশিংগী ওইনদি থম্লম্বা অথিংবশিং অদু খরা মখৈ কোমথোক্লবা য়ানা লৈরি হায়না বৃটিশ ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর গ্রান্ট সেখনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা মেদিয়ম রিস্ক লৈবা লৈবাকশিংদগী কোভিদ ভেক্সিন দোজ মপুং ফানা কাপথোক্লবা মীওইশিংনা লাকপা মতমদা অথিংবা থম্লরোই। বৃটেননা হান্না স্পেন, ফ্রান্স, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইটালিদগী লাকপা মীওইশিং লৈবাক অদুদা থুংলরবা মতুং নুমিৎ ১০ নি সেল্ফ আইসোলেট তৌদুনা থম্নবা অখন্নবা ওর্দর অমা থোকখিবনি। ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না য়ু কেদা থুংলবা খুদিংমক সেল্ফ আইসোলেট তৌবগা লোয়ননা ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈনবা খঙহনখিবনি।

থা ১৫ রোম য়ু কেনা অথিংবশিং অসি থমখ্রবা মতুং য়ু কে গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মপুং ফানা কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী ওইনদি কোমথোক্লবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। অদুমওইনমক মীয়াম্না হান্নগুম্না য়াম্না চেকশিন্না লৈগদবনি হায়রি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	185,828,368	+457,179	4,017,485	+8,435	170,077,248	11,733,635
1	USA	34,646,741	+16,812	621,904	+251	29,168,313	4,856,524
2	India	30,708,570	+45,674	405,057	+817	29,836,465	467,048
3	Brazil	18,909,037	+54,022	528,611	+1,595	17,352,670	1,027,756
4	France	5,794,665	+4,081	111,259	+28	5,638,460	44,946
5	Russia	5,682,634	+23,962	140,041	+725	5,121,919	420,674
6	Turkey	5,459,923	+5,160	50,048	+52	5,328,747	81,128
7	UK	4,990,916	+32,548	128,301	+33	4,345,499	517,116
8	Argentina	4,593,763	+19,423	97,439	+456	4,206,478	289,846
9	Colombia	4,426,811	+24,229	110,578	+559	4,142,384	173,849
10	Italy	4,265,714	+1,010	127,718	+14	4,096,156	41,840
11	Spain	3,897,996	+17,384	80,969	+17	3,621,423	195,604
12	Germany	3,740,541	+986	91,665	+35	3,631,500	17,376
13	Iran	3,304,135	+17,212	85,261	+166	2,967,821	251,053
14	Poland	2,880,503	+103	75,116	+23	2,652,293	153,094
15	Mexico	2,549,862	+7,989	233,958	+269	2,023,270	292,634
16	Indonesia	2,379,397	+34,379	62,908	+1,040	1,973,388	343,101
17	Ukraine	2,238,974	+610	52,537	+33	2,174,353	12,084
18	South Africa	2,112,336	+21,427	63,039	+411	1,853,804	195,493
19	Peru	2,071,637	+2,586	193,743	+155	N/A	N/A
20	Netherlands	1,696,480	+3,646	17,760	+2	1,646,669	32,051
21	Czechia	1,668,340	+109	30,331		1,636,590	1,419
22	Chile	1,576,336	+1,871	33,328	+40	1,524,232	18,776
23	Philippines	1,450,101	+4,280	25,459	+164	1,376,974	47,668
24	Canada	1,418,632	+552	26,387	+6	1,386,760	5,485
25	Iraq	1,397,100	+8,777	17,413	+37	1,282,764	96,923
26	Sweden	1,092,083		14,601		1,066,080	11,402
27	Belgium	1,089,105	+742	25,194	+4	1,043,221	20,690
28	Romania	1,081,090	+60	34,165	+2	1,045,351	1,574
29	Bangladesh	977,568	+11,162	15,593	+201	850,502	111,473
30	Pakistan	966,007	+1,517	22,469	+17	909,525	34,013
31	Portugal	896,026	+3,285	17,126	+8	838,642	40,258
32	Israel	844,378	+486	6,429		834,436	3,513
33	Japan	809,519	+1,635	14,884	+22	778,492	16,143
34	Hungary	808,338	+44	29,999	+1	740,535	37,804
35	Malaysia	799,790	+7,097	5,768	+91	719,678	74,344
36	Jordan	754,927	+646	9,800	+5	738,303	6,824
37	Serbia	717,196	+103	7,063	+2	708,543	1,590
38	Switzerland	704,352	+295	10,896	+1	687,484	5,972
39	Austria	651,008	+107	10,719	+1	638,566	1,723
40	Nepal	650,162	+2,077	9,291	+28	614,327	26,544
41	UAE	644,114	+1,513	1,847	+4	622,301	19,966
42	Lebanon	546,366	+401	7,867	+2	533,761	4,738
43	Morocco	537,253	+1,279	9,341	+5	521,671	6,241
44	Saudi Arabia	496,516	+1,207	7,921	+14	476,643	11,952
45	Ecuador	465,029	+1,078	21,728	+20	431,404	11,897
46	Tunisia	464,914	+9,823	15,735	+134	372,985	76,194
47	Bolivia	448,213	+1,851	17,013	+28	372,138	59,062
48	Kazakhstan	442,291	+2,711	4,516	+27	404,899	32,876
49	Paraguay	432,801	+1,434	13,645	+92	386,222	32,934
50	Greece	430,960	+1,816	12,739	+9	407,565	10,656

ৱেষ্ট বেঙ্কতা পেলিষ্টিনিয়ন কম্যুনিটিশিংগী লৈফম কয়ারক হন্না মাঙ তাকহনখি

ৱেষ্ট বেঙ্ক, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

ৱেষ্ট বেঙ্ককী মনুং চন্না লৈবা জোর্দান ভেলিদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পেলিষ্টিনিয়নশিংগী য়ুম অমদি মহৈ মরোং থানরিবা লৌফম কয়া কয়ারক হন্না অমাং অতা থোকহনখি হায়না লোকেল রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুং ইন্না জোর্দান ভেলিদা ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎ খক্তদা অঙাং ৩৫ য়াওনা মীওই ৬৫ ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে। খুঙ্গং অসিদা লৈরিবা খুঞ্জা অয়াম্বা লৌউ শিংউ তৌদুনা অমদি য়াও অমদি হামেং লোয়দুনা হিংনবা হোৎনরিবা ঙাক্তনি। হায়রিবা মীওইশিং অসিনা য়ুম অমা শানবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা ইজরেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অমুক্কা হেন্না অৱা চৈথেং পীরে হায়না ইন্তরনেসনল এইদ এজেন্সিশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

জোর্দান ভেলিদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা শাখিবা য়ুমশিং ইজরেল ফোর্সশিংনা অমুক হন্না থুগাইখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অমুক হন্না লৈফম লৈহনখিদ্রে। পেলিষ্টিনিয়ন ওথোরিটিশিংনসু হীরম অসিগী মতাংদা থবক অমা পায়খৎপা ঙমদনা লৈরি। ৱেষ্ট বেঙ্ককী মনুং চন্না লৈরিবা জোর্দান ভেলিগী শরুক চাদা ৬০ দি ইজরেলি মিলিটরিনা মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌদুনা লৈরি অমদি মখোয়গী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌবা মথৌ তারি।

নিংখাইখিবা বিল্ডিংগী শরুক্তগী মখা তানা মীওই ১০ গী অশিবা হকচাংশিং ফংবা ঙমখ্রে

মিয়ামি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

মমাং থাদা ফ্লোরিদাগী মিয়ামি সমুদ্র খোঙবান নক্লা লৈবা মথোল ১২ ৱাংবা বিল্ডিংগী শরুক অদুদগী ঙরাংসু মীওই ১০ গী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিখিবা মশীং ৪৬ য়ৌখ্রে হায়না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকায় অতোই থোকখ্রবা বিল্ডিং অদুগী শরুকশিং অকনবা মওংদা শেংদোক্লিঙৈ মরক অসিদা ত্রোপিকেল ষ্টোর্ম এলসানা মিয়ামি তম্না খোঙজেল য়াঙনা পাইশিল্লক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া চরাংনবা পোকহল্লে। মিয়ামি দাদেগী এসিষ্টেন্ট ফায়রচীফ রাইদে জদালানা ফোঙদোকখিবদা ইমজেন্সি ক্রুশিংনা রেস্ক্যু দোগ অমদি সাউন্দ দিভাইসশিং শীজিন্নদুনা থিবা ফংদনা লৈরিবা হকচাংশিং মখা তানা রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনরি। হৌজিক হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী অৱাবা য়েংলগা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনসু মী থিবগী থবক হান্নদগী হেন্না কন্না চথরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক্তা মীওই ৪৬ শিখিবগা লোয়ননা ৯৪ থিবা ফংদনা লৈরি। মমাং থাগী ২৪ দা মথোল ১২ ৱাংবা বিল্ডিং অদু খঙহৌদনা নিংখাইরকখিবনি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা থৌদোক থোকখিবগী পাউ হেক ফংবগা মফমদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চঙশিনখি। অদুমওইনমক বিল্ডিং অদু খঙহৌদনা নিংখাইরকখিবনা মরম ওইরগা বিল্ডিং অদুদা লৈরম্বা মীওইশিং তেক্তা কায়দনা রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকখিবদগী অফঘানিষ্টানদা ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা জো বাইদেননা ৱা ঙাঙগদৌরি

ৱাশিংটন, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা ক্রুপশিং অমুক হন্না লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা য়াম্না তোয়না এটেকশিং চথদুনা অমাং অতা কয়া থোকহল্লিবা অদুগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা হয়েং ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

হ্বাইট হাউস ওফিসল অমনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক হৌজিক লৈহৌরিবা অমেরিকানশিংগী মতাংদসু য়ু এসনা য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌরি। মখোয়শিংগী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা মমাং চয়োলদা অফঘানিষ্টানদা লৈবা অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা বাগ্রম এয়র বেজ থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা খুমাং চাওশিল্লক্লি।

বাগ্রম এয়র বেজদা চহী ২০ লোম হেন্না য়ু এস ক্রুপশিংনা অফগান ফোর্সশিংগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মখলগী কাউন্তর ওপরেসনশিং মায় পাক্লা চথদুনা লাকখিবনি। অফগানিষ্টানদা য়ু এস ক্রুপশিং মখা তানা লৈহন্দুনা টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা কাউন্তর টেরোরিজম ষ্ট্রাইকশিং মিলিটরিশিংনা মখা তানা চথবা পাম্লবসু প্রসিদেন্ট বাইদেননা দিপ্লোয়



তৌরিবা ক্রুপশিং লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

হৌখিবা এপ্রিল থাদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা অফঘানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা ক্রুপ খুদিংমক সেপ্তেম্বর ১১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি। য়ু এসনা মখোয়গী ফিরেপ অদু লাউথোকখ্রবা মতুং অফঘান ফোর্সশিংগী মথক্তা টালিবান ফাইটরশিংনা মখল মখা কয়াগী এটেকশিং চথবা হৌরকখিবনি। অফঘানিষ্টানদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা থনম্বা য়ু এস ক্রুপশিংগী কম্মান্দের জেনরেল ওষ্টিন মিলরনদি লৈবাক অদুদগী য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকপনা মরম ওইরগা সিভিল ৱার থোকহল্লকপা য়াই হায়না মরী লৈনবশিংদা হান্নগা ৱার্নিং তৌখ্রবনি।

য়ু এস ইন্তিলিজেন্স কম্যুনিটিনসু অফঘান মিলিটরিগী মপাঙ্গলনা কাবুল গভর্ণমেন্ট ঙাকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু জো বাইদেননা মহাক্কী ফিরেপ হোংখিদবনি। অদুবু লৈবাক অদুদা মখা তানা চরাংনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা হীরম অসিগী মতাংদা জো বাইদেন ৱা ঙাঙদবা ফিরেপ লৌখিবনি।